## কোংগ্রেসতা অমুক হঞ্জিনবগী ৱাফম লৈতে ঃ অজাদ

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসতা চহী ৫২ লৈদুনা পার্টি অসিগীদমক মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাকখ্রবা মতুং মশাগী ওইবা পেন দবা খরদগী কোংগ্রেসতগী তোক্লুনা দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ অজাদ পার্টি শেমদুনা মসিগী লুচিংবা ওইনা লৈরিবা গুলাম নবি অজাদনা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস পার্টিদা মহাক অমুক হন্না চঙবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা খক নত্তনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা ভেটরান পোলিটিসিয়ন অসিনা ফোঙদোকখিবদা ফোর্মেল ওইদবা রিপোর্ট খরনা মহাক কোংগ্রেস পার্টিদা অমুক হল্লক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা অদু য়ুমফম য়াওদবা ৱাফমনি। মহাক্কী নৌনা লিংখৎখ্রবা পার্টি অসি নেসনল পার্টিগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবনা মহাক্কী মরুওইবা পান্দমনি। কোংগ্রেস লুচিংবা খরনা মহাক্কী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসিদা মীয়াম্না থাজবা তৌরোইদবনি হায়রি। অমরোমদা, পাউমীশিংনা হঙখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা নবিনা মহাক ভারত জোরো যাত্রাদা শরুক য়ানবা ৱাখল খনবা লৈতে হায়রি।

## রাহুল গান্ধীনা সিক্যুরিটি প্রোটোকোল কয়ারক হন্না থুগায়খি হায়না দেল্লি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা লুচিংবা অসিগী সিক্যুরিটিগী থৌশিনদা অহোবা কয়া লৈরে হায়না কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহল্লকখ্রবা মতুং রাহুল গান্ধীনা খোঙচৎ অসিদা সিক্যুরিটি প্রোটোকোল কয়ারক হন্না থুগায়খি হায়না দেল্লি পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপালনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা রাহুল গান্ধীগী সিক্যুরিটিদা চেকশিন্দবা কয়া লৈরে হায়না অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রবা মতুং ঙরাং সী আর পি এফকী মায়কৈদগী রাহুল গান্ধীনা খোঙচৎ অসিদা সিক্যুরিটি প্রোটোকোল ঙাক্লা চৎখিদে হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুং দেল্লি পুলিসকী মায়কৈদগীসু ঙসি ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। দেল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কোংগ্রেস এম পি অসিবু ঙাক শেন্নবগীদমক সিভিল য়ুনিফোর্মদা পর্সনল কয়া মহাক্কী অকোয়বদা চৎহল্লি। অদুম ওইনমক পুলিসনা কোয়শিন্দুনা চৎলিবা অদুদগী মহাক মশানা সিক্যুরিটি প্রোটোকোল থুগায়দুনা অতোপ্পা মফমদা চৎনবা কয়ারক হন্না হোৎনখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা এম পি অসিবু শেন্নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি পর্সনলশিংগী মায়কৈদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনখি হায়রি।

দেল্লি পুলিসকী মায়কৈদগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখ্রবা মতুং হোম মিনিষ্ট্রিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা অথুবা মতমদা পীখৎলক্নবা দেল্লি পুলিসতা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, রাহুল গান্ধীগী সিক্যুরিটিগী থবক থৌরমদা অশোয়বা কয়া লৈরে হায়খিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা সী আর পি এফনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস এম পি অসিনা কুমজা ২০২০ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা সিক্যুরিটিগী প্রোটোকোল ১১৩ রক থুগায়খ্রে। কোংগ্রেস লুচিংবা অসিগা হীরম অসিগী মতাংদা সী আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা কয়ারক হন্না খঙহনবসু লৈখ্রে। হৌজিক হৌজিক জেদ প্লস সিক্যুরিটিগী নুংঙাইবা ফংলিবা রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎ অসিনা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা পঞ্জাব অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগুম্বা মফমশিংদা চঙলকপা মতমদা করি থোক্লগদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রি হায়রি।



## বি জে পিনা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিং মরম লৈতনা ফাজিল্লি ঃ মহুৱা মোইত্রা

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী নেসনল স্পোক্সপর্সন সকেট গোখলেবু অহুমলক শুবা ওইনা ফাজিনখিবগী থৌওং অদুবু ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা মেম্বরশিংবু মরম পীদনা ফাজিনবগী থবক য়াম্না তোয়না চথুরি হায়না মরাল শীরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি মহুৱা মোইত্রানা ফোঙদোকখিবদা পার্টি অসিগী ৱাঙাংলোয় সকেট গোখলে অনীরক শুবা ওইনা ফারুবদগী থাদোরকপা নুমিৎ ১৫ নি মপুং ফাদ্রিঙৈদা অমুক হন্না ফাজিনখিবা অসি লাইবক থিবনি। থৌওং অসি কনানা চথুরকপা থৌওংনো হায়বা মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। গুজরাটতা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা মীখলগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় সকেটনা ষ্টেট অমদি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা অরানবা থবক কয়া চথুখি হায়না ফোঙদোক্লুবা অদুগীদমক মহাকপু গুজরাট পুলিসনা ফাখিবনি। ঙরাং মহাকপু ফাখিবা অসি থারগা থংন-থংননা গুজরাট পুলিসনা মহাকপু অহুমলক ফাজিনখ্রে। মসি পোলিটিসিয়ন অমগী ইমেজ মশক থিহন্নবা রুলিংদা লৈবা পার্টিনা অতম্ননা চথুরকপা থৌওং অমনি। গুজরাটতা মমাঙ থাদা থোকখিবা মোর্বি থোং তৎপগী লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা সকেটনা গুজরাট গভর্ণমেন্টগী অরানবা থৌশিল কয়াগী মতাংদা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি। মদুগী মতুং থা অসিগী ৬ তা অহানবা ওইনা গুজরাট পুলিসনা মহাকপু ফাজিনখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা মেম্বরশিং ফাজিন্দুনা অকি অখং পোকহনবা নত্রগা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবনা ত্রিনামুলগী মপাঙ্গল কনখৎলকপদা অয়েৎপা পীবা ঙম্লোই। কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি চাওনা মায়থিবা নঙগনি হায়রি।



## মীওই ৮ শিখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

নরসিপতনম, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : অন্ধ্র প্রদেশকী নেলোর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কান্দুকুরদা ঙরাং টেলুগু দেসাম পার্টিগী চীফ চন্দ্রবাবু নাইদুনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা রোদ সো অমদা মীওই ৮ নেৎখায়নবদা শিখিবগী থৌদোক অদুবু অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জগন মোহোন রেদিনা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা থৌদোক অদুগী তেকচাক তেলুগু দেসাম পার্টিগী চীফ চন্দ্রবাবু নাইদুনা পুগদবনি হায়রি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর রেদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চন্দ্রবাবু নাইদুনা চেকশিন্দবদগী মীওই ৮ গী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। মসিগীদমক মীয়াম মমাঙদা নাইদুনা লাল্লে হায়জগদবনি। মশাগী কান্নবা খরা ফংনবগীদমক পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুবু য়েংশিনবা ৱাৎপা হায়বসি নাইদুগী অশোয়বনি। পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক মহাক মশাগী ৱার্কর ৮ শিহনখিবা হায়বসি য়াম্না তমথিবা অমদি ইকায় খঙদবগী থৌওংনি। মীওই ৮ শিখিবগী থৌদোক অদুগী হেক নোংঙানবদা নাইদুনা কবালিদা অতোপ্পা রোদ সো অমা অমুক চৎখিবা অদু খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌওংনি। মহাক মশাগী ৱার্কর ৮ লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোক্লরিঙৈ মরক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগা উন্নদুনা পুক্নিং ফাথনবা ফোঙদোকপগী মহুত্তা অতোপ্পা রেল্লি অমা অমুক চৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক করম্বা মীওইনো হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর রেদিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বি জে পিগী চহী ১৫ না এ এ পিগী চয়োল ৩ গা অকনবা লান শোক্নগদৌরি ঃ দুরগেস পাথক

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : থা অসিগী ৭ তা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী মীখলদা চহী ১৫ পৱার পায়দুনা লাকখিবা বি জে পিবু এ এ পিনা মায়থিবা পীখ্রবা মতুং এম সী দিগী মেয়র অমদি অতোপ্পা কি পোষ্টশিং খনবগী থবক্তা বি জে পিনা চহী ১৫ পৱার পায়দুনা লাকখিবা অদুগা এ এ পিনা চয়োল ৩ দা হোৎনরকপগা অকনবা লাম্বা তৌনগদৌরি হায়না এ এ পিগী লুচিংবা দুরগেস পাথকনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দুরগেস পাথকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ ২০ লোম অসিদা এ এ পিগী কাউন্সিল্লরশিংনা তৌখিবা থবকশিং অদুগী রিপোর্ট কার্দ অমা অথুবা মতমদা মীয়ামদা ফংহল্লগনি। এ এ পিনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা থবক তৌরি হায়বদু উৎনবগীদমক রিপোর্ট কার্দ অসি মীয়ামদা ফংহনগদৌরিবনি। বি জে পিনা চহী ১৫ এম সী দিদা পৱার পায়দুনা লাকখিবা মতম অদুদা মীয়ামদা ফংহনফম থোকপা কান্নবা কয়া ফংহন্দনা লাকখি হায়বদু এ এ পিনা শোয়দনা উৎলগনি। দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পি লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা থাজবা থম্বদগী হন্দক পাঙথোকখিবা সিট ২৫০ লৈবা এম সী দি মীখলদা এ এ পিনা সিট ১৩৪ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। এম সী দিগী মেয়র, দিপ্যুটি মেয়র অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং খনবগী মতাংদা বি জে পিনা মায় পাক্কনি হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু পঙহায়দা হায়জিনবা ওইরোইদবা ৱাফম অমনি। এম সী দিদসু এ এ পিনা পৱার পায়বা ঙম্লগনি হায়বসি দেল্লিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। এম সী দিদা বি জে পিনা লিশাং শিংনা পৱার পায়দুনা লাকখিবা মতম অদুদা তৌখিদবা থবকশিং এ এ পিগী কাউন্সিল্লরশিংনা নুমিৎ ২০ নি অসিদা পাঙথোকপা হৌখ্রে। এ এ পিগী কাউন্সিল্লরশিংনা দেল্লিগী মফম কয়াদা লৈরিবা হান্না ফুঞ্জিন্দুনা লৈরিবা নালাশিং শেংদোকপা হৌখ্রে, সেনিটেসন ৱার্করশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা লোইনরি অমদি মী য়াম্না তিনবা পার্কশিং শেংদোকপা হৌখ্রে হায়রি।



## অনৌবা কেস ২৪৩ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ২৪৩ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ২৪৩ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৪,১৫৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্তিব কেস মশিংদি ৩৬০৯ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমা শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৯৯ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্তিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

## কুমজা ২০২১ দা মশাগী নুপী মৈ থাদুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওই ফাবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা য়ু থকপদা অথিংবা পী হায়বগীদমক মশাগী নুপীবু গ্যাস ষ্টোপতা মমায় ইনশিন্দুনা অমদি মশাদা অশাবা ঈশিং হৈজিন্দুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওই ঙসি হরিয়ানা পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফারবা মীওই অসি উট্টর প্রদেশকী ভুলনসরদগীনি। মহাক্কী মমিং পিংকু কৌই। হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতুং তারকপা ওইনা মহাকপু পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা মীওই অসিনা চহী অমরোম অসি হরিয়ানা, দেল্লি, রাজস্থান, উট্টর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লোৎতুনা লাকখিবনি। মীওই অসিগী মরী মখোং তাকপা ঙম্বদা লুপা লিশিং ৫ পীগনি হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০২১ গী ওগষ্ট ৬ অয়ুক পুং ৭ তাবদা ফারবা নুপা অসিগী লোয়নবী কলপনানা চাক থোংনা থোংনা য়ু থক্তনবা মঙোন্দা হায়রুবদগী পিংকুনা উশিৎতে হায়দুনা মহাক্কী নুপী কলপনাবু থাদুনা থল্লিবা গ্যাস ষ্টোপ অদুদা মমায় ইনশিন্দুনা মৈনা চাকহল্লবা মতুং নাকলদা লৈরম্বা কা হেন্না শাবা ঈশিং অশাবনা হৈজিনখিবনি। নুপী অদুগী মরী মতানা ভিক্টিম অদুবু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুং নুমিৎ ৪ নি লৈরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি।

## পি এম মোদিগী মমা লৈখিদবদা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অপোকপী হিরাবেন মশাগী চহী ১০০ মপুং ফাখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অপোকপী ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপদা অহমদবাদতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লৈখিবদনি। মহাক্না লৈখিদবা অদুদা জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিয়ো কিসিদানা ইহান হানবা ওইনা অৱাবা ফোঙদোরকখিবনি। কিসিদানা ত্বিটরদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না পি এম মোদিগী অপোকপী নুংশিরবী ইমা লৈখিদবদা মহাক্কী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোক্লি। মহাক্কী অত্মানা নুংঙাইনা লেল্লুরসনু হায়রি। নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর পুসপা কমল দাহলনসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অপোকপী লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মোদিগী অপোকপী লৈখিদ্রে তাবদা মহাক্কী থম্মোয়দা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওখি। নরেন্দ্র মোদি অমদি মহাক্কী মরী মতাশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি। শ্রিলঙ্কাগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দা রাজপক্স, নেপালগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সের বহাদুর দুবা, রসিয়ন এম্বেসেদর টু ইন্দিয়া য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK**

**Ref :- Mutation Case No. 511/SDC/YPK Dt. 29/12/2022**
Parties:
Konsam Radharani Devi W/o (L) Jane Singh of Charangpat Mayai Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Konsam Jane Singh S/o (L) Selungba Singh of Charangpat Mayai Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Yairipok, the 29th Dec. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ৯৯-চরাংপাৎ পাটা নং ১০৩, ৮৯, অরিবা ১০৯, ১০৯/৮৯৫, ১১৭/৭৬৬, ১১৭/৭৬৭ অনৌবা দাগ নং ৯৪, ৯৪/৭৬৫, ১৫৭/৭০৯ অমসুং ১৫৭/৭১০ এরিয়া .২৮৮১০, .৪৭০২০, .২৭২৭০ অমসুং .১৩২৯০ হেক্তর ইঙ্খোল অমসুং ফৌরেল চাওবা অসিগী পাটাদার কোনশম জানে সিংহ পীতা মৃ: সেলুংবা সিংহ সাং চরাংপাৎ ময়াই লৈকাইদা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner মাগী নুপীগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই কেস মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Yairipok
HL-P/5543/31

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 375/SDC/IW-L/2022.**
Namaram (N) Tonambam (O) Yaimabi Devi W/o (L) Tonambam Mera Singh of Uripok Achom Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Namaram (N) Nongthombam (O) Shyama Devi W/o (L) Ningthemjao Singh of Teraurak. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
29/12/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার নামারম নিংঙোল নোংথোম্বম ওংবী শ্যামা দেবী পতি মৃ: নিংথেমজাও সিংহ সাং তেরাউরককী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিকগী অনৌবা পাটা নং ৪১৫ দাগ নং ১২৬০/১৪৬৮ এরিয়া ০.১০০০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang
HL-P/5610/31

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mutation Case No. 394/SDC/KBI Dt. 29/12/2022**
1) Khangembam Thanilchandra Singh S/o (L) Angouba Singh of Kumbi Leirak Achouba. -Petitioner
-Vs-
1) Khangembam Thambaljao @ Angouba Singh S/o (L) Hemo Singh of Kumbi Leirak Achouba. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Kumbi, the 29th Dec. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৬৪-কুম্বীগী মনুংদা লৈবা অনৌবা পাট্টা নং ১) ২৬২, ২) ২৯৫, দাগ নং ১) ৫২০৭, ২) ৫২০৮ গী অপুনবা এরিয়া ০.১২ একর অমসুং .২৭ একরগী মনুংদগী খা নোংপোক্তা মথক্কী পাট্টাদার শ্রী থম্বালজাও @ অঙৌবাসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা পানবা ০.০৯ একর + ০.২৬ একরসি Petitioner না মাগী মিংদা পানবীয়ু হায়দুনা SDC/Kumbi গী Court তা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা ওইনা লাক্কুনা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্কী পিরিবা মতমসিদা Objection তৌরদবা তারগদি Case মখা চথুদনা মিং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Kumbi
HL-P/5537/31

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK**

**Ref :- Mutation Case No. 510/SDC/YPK Dt. 29/12/2022**
Parties:
Shanti Bibi W/o (L) Firoj Khan of Yairipok Bamon Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Firoj Khan S/o (L) Hayad Khan of Yairipok Bamon Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Yairipok, the 29th Dec. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০৫-বামোন লৈকাই পাটা নং ৪৭৬ অরিবা ২৭৮ অনৌবা দাগ নং ২০৬১ এরিয়া .০০৭৭ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাটাদার ফিরোজ খান পীতা মৃত হয়াৎ খান সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner গী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই কেস মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Yairipok
HL-P/5543/31

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 558/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
Louriyam Rakesh Singh S/o (L) Leikoljao of Khurukhul Awang Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Louriyam Leikoljao Singh S/o Nakul Singh of Khurukhul Awang Leikai. -Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Sekmai, the 27/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 38-Khurukhul Under Patta No. 6 (Old) 1024 (New) Covered by c.s. Dag No. 3364/3612 গী area .20 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথুজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5544/31

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 682/SDC/M Dt. 30/12/2022**
Philem Surendra Singh S/o (L) Kulachandra Singh of Shribon Leikai, Moirang. -Petitioner
-Vs-
(L) Philem (N) Shija Devi D/o (L) Ashenba Singh of Shribon Awang. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 30th Dec., 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫২- মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ২২৯ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ২২৫৬ এরিয়া ০.০৮ একর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি ইমুং মনুং মচানা মীং নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang
HL-P/5539/31

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 54/SDC/Ich of 2022.**
Rahamjan W/o (L) Md. Abdul Hakim of Lilong Bazar. -Petitioner
-Vs-
1. Joinulbuddin S/o (L) Ali of Irong.
2. (L) Md. Abdul Hakim S/o (L) Ali of Lilong. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫-ইরোংচেসাবা, লিলোং তহশিলগী অরিবা পাট্টা নং ৩২, ১৮০ অনৌবা পাট্টা নং ৭৬৬ দখল তৌরিবা দাগ নং ২৬৫ অমদি ২৬৬ গী .২৪০৭০ অমদি .২৭৭০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ২ শুবা অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা কো-পাট্টাদার নং ২ গী শরুক দাগ নং ২৬৬ মহাক্কী লোইনবীনা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই কেস মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Irong Chesaba**
Thoubal Dist. Manipur
HL-P/5612/31

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA**

**Ref :- Mutation Case No. 55/SDC/ICH of 2022.**
Md. Rousah Meya S/o (L) Haji Musamuddin of Irong Chesaba. -Petitioner
-Vs-
(L) Md. Fajur Karim S/o (L) Haji Musamuddin of Irong Chesaba. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Irong Chesaba the 30th Dec. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং: ৪১৮ অনৌবা পাট্টা নং: ৩৯৭ দখল তৌরিবা দাগকী নং: ১২৫৯ এরিয়া .৫৬৩৩ হেক্তরগী মনুংদগী .২৮৭০ হেক্তর; তাওথবী রেভিন্যু ভিলেজ নং: ৫-ইরোংচেসাবা অসিগী কো-পাট্টাদার নং: ১(অমা) অসি মৃত: ওইখ্রে। মরম অসিনা মহাক্কী মনাওনুপা কো-পাট্টাদার ২(অনী) অসিদা পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/ICH গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথুরগনি, তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খুদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
**Irong Chesaba**
HL-P/5612/31

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 372/SDC/IW-L/2022.**
1. Laishram Milan Singh S/o (L) Tomba Singh of Mayanglangjing Tamang.
2. - do - Ranjit Singh S/o (L) - do - of - do - -Petitioners
-Vs-
(L) Laishram Tomba Singh S/o (L) Khomei Singh of Mayanglangjing. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**
29/12/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার লাইশ্রম তোম্বা সিংহ পীতা মৃত খোম্মৈ সিংহ সাং ময়াংলাংজিংগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাটা নং ৪৩৪ দাগ নং ২৫০৯, ২২৪১ এরিয়া ০.০৭৩৫১, ০.৩১৬৪৪ চাওবা ইঙ্খোল অনী অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang
HL-P/5610/31